# ৱর্ল্ড সিনেমাদা অনৌবা মহাও অমা অয়েংবশিংদা পীদুনা মীৎ থকহল্লিবা স্কোট্টিশ এক্টর, প্রদ্যুসর Sean Connery

- *নানি* -

য়ুনাইটেদ কিংদমগী এদিনবরদা কুমজা ১৯৩০গী ওগষ্ট ২৫দা পোকখিবা স্কোট্টিশ এক্টর Sean Connery মশাগী চহী ৯০ শুরকপা হৌখিবা ওক্টোবর ৩১, ২০২০দা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে। চহী ৫০ চুপ্পা এক্টিংগী লন্বীদা লাকখিবা এক্টর অসি কুমজা ১৯৮৮দা 'দি অনটচেবলস' হায়বা ফিল্ম অদুদা ওস্কার বেষ্ট সপোর্টিং এক্টরগী মনা ফংখি। জেমস বোন্দ হায়রগনা হেন্না খঙনখিবা এক্টর অসি মতম খরা মশা ঙমদদুনা লাকখিবনি। হৌজিক লৈরিবা কোরোনাগী পেন্দমিক অসি লোইরবা মতুংদা অচৌবা থৌরম অমগা লোয়ননা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না মহাক্কী অমত্তা পোকচবা মচানুপা Jason Connery না বি বি সীগী চেনেল অমদা ফোঙদোকখ্রে। ফিল্ম মশীংদি য়াম্না কুমখিদে অদুবু মহাক্কুম্না ৱর্ল্ডদা মশক নাইনা ফাওবা মীদি অতাঙবা ওইখি। হৌজিক ফাওবদা মহাক্না কুমখিবা ফিল্মশিংদি - No Road Back (1957), হায়রিবা অসিনা মহাক্কী অহানবা ফিল্ম ওইরগা মথং তারকপদা - Dr.No.(1962), From Russia with Love (1963), Marnie (1964), Alfred Hitchcock's Marnie (1964), Goldfinger (1964), The Hill (1965), Thunderball (1965), Murder on the Orient Express (1974), The Man Who Would Be King (1975), The Wind and the Lion (1975), You only live twice (1967), Shalako (1968), Diamonds Are Forever (1971), Zadoz (1968), Never Say Never Again (1983), Time Bandits (1981), Highlander (1986), The Name of the Rose (1986), Indiana Jones and the Last Crusade (1989), The Hunt for Red October (1990), Highlander II : The quickening (1991), Medicine Man (1992), Robin Hood : Prince of Thieves (1991), First Knight (1995), Rising Sun (1993), The Rock (1996), Playing by Heart (1998), Entrapment (1999), Finding Forrester (2000), The League of Extraordinary Gentlemen (2003) হায়রিবশিং অসিনি। মী ৱাং চাউবা, মশক মতৌ চঙখোনবা অমদি মশা-মউ ফজবা মস্কুলর ওইবা এক্টর অসিগী মীয়াম্না হেন্না খঙনখিবা রোলদি জেমস বোন্দ হায়বা অসিনি। ফিল্ম অসিনা মহাকপু অহিংবা কোন্নরি অমা ওইহনবা ঙমখি। কুমজা ১৯৬২দগীনা ১৯৮৩ ফাওবা সেরিজ ৭তা য়াম্না মায় পাক্না কুল্লকখি। পুথোরকপা সেরিজ খুদিংমক্তা মহাক্কী তোপ তোপ্পা মশক অমমম শাগৎপা ঙমখিবা অঙকপা এক্টর অমা ওইখি। এক্টর অসি মশা মউ ফবগী (বোদি বিল্ডর) কম্পিটিসন কয়াদা শরুক য়ারকখি।

Thomas Sean Connery Edinburgh College of Art তগী দিগ্রী লৌরবা মতুংদা শূফম নোম্ফম খঙদনা মতম খরা ঙাওচৎনদুনা লৈখি। মহাক্কী অপোকপা মপাসু ত্রক দ্রাইভর অমা ওইরম্মী, অদুগা মহাকপু পোকপী মমানা ৱাই শিংপা মীশক অমা ওইরমখি। কোন্নরিসু লোরি দ্রাইভর অমা ওইনা থবক হৌরম্মী, অদুবু শিনফম অদু মহাক্না ইপেন পেঞ্জখিদে, অদুনা দ্রাইভর ওইবা তোল্লগা শঙ্গোম য়োল্লম্মী অমদি অফংবা নোংমগী থবক শূদুনা শেল তাল্লকখি। মদুগী মতুংদা কোফিন পোলিশর ফাওবগী থবকসু তৌরমখি। পুম্নমকসিগী মতুংদা মহাক রোয়ল নেভিদা থবক অমা ফংদুনা গভর্ণমেন্টকী জোব ওইনা তৌরকখি। অদুবু মহাক্কী হকশেল প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা থবক অদু থাদোকপা তারকখি। মসিদগীদি মহাক করি তৌসিগে হায়বা খনবা হৌরকখি। কোন্নরি ফুটবোলসু নিংথিনা শান্নবা মীশক অমা ওইনা হৌরকখি। মহাক্না মহাক্কী ইরোয় লোইবা প্রোফেসনেল করিয়র অমা শেম্নবা হোৎনরকপদা ওপসন অনীখক লৈখি। মদুদি অহানবদা ফুটবোল্লর অমা ওইবা অনীশুবদা এক্টর অমা ওইবা হায়বা অসিনি। মুন্না খল্লবা মহাক্কী হেল্থ প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা এক্টর অমা ওইবা হায়বা অসিনা মহাক্না চানরগনি খন্দুনা ফিরেপ অসিদা লেপখি। অদুনা মহাক ফিল্মলোমদা মায় ওনশিল্লকখি। তৌবগীবুদি মমাঙদসু পঞ্জখ্রে মহাক আর্টকী লম্ অসিদসু য়াম্না থৱায় য়াওরকপনি।

'জেমস বোন্দ' হায়রগনা হেন্না খঙনবা এক্টর অসি মশাগী চহী ৯০ শুরকপদা অহল ওইরকপগী মশাগী ওইবা অনাবা অমনা হৌখিবা ওক্টোবরগী অরোইবা নুমিৎ ৩১, ২০২০দা লৈখিদ্রে। "No Road Back (1957)" হায়বা ফিল্ম অদুদা মেজর রোল অমা লৌদুনা ইহান হানবা ওইনা কুপ্না হৌরকখিবা এক্টর অসি য়াম্না ঈং তপ্পা অমদি মোং হাদনা, য়াম্না শাথীবা এক্সন তৌবা ঙম্বগীদমক মীয়াম্না মাবু শিংথানৈ। মমিং মনা ইচোই চোইরোই, মহাক্না তমখিবা অমদি শকলোন অমা লৌদুনা মানা চঙশিল্লিবা মিসন অদুগীদমক মখল কয়াগী টেক্নিক শীজিন্নদুনা মায় পাক্না হোৎনবদা, অয়েংবশিংদা ফিল্মনি হায়বা কাউহনবা ঙমহনখিবা হায়বা অসি মহাক্কী চাউরবা মতিক ময়াই অমনি হায়না শোন্নদবা ঙম্লোই। মহাক্কী শাথীরিবা অসি কেরেক্টর দিজাইন অসিনি।



মসিদি কনাগুম্বা দিরেক্টর অমত্তনা মঙোন্দা অসুম্না তৌসি হায়বা য়াওখিদে হায়না মহাক্কী মরমদা ইবা চেফোঙ কয়াদা ময়েক শেংনা হায়রি। জেমস বোন্দ হায়রিবা কেরেক্টর অসিগী দিজাইন অমদি মহাক্কী শাজৎ, লিচৎ অসিমক মহাক মশানা পুথোকচবা অমা ওইখি। অদুমক্নসু জেমস বোন্দ হায়না মহাকপু মীয়াম্না শকখঙনবনি হায়না খল্লি। হৌজিক্তি ৱর্ল্ড সিনেমাদা কেরেক্টর অমা ওইনা মমীং চৎলিবা জেমস বোন্দ হায়বা অসি ম্যুজিয়ম পিচ অমা ওইনা লৈহৌরে। ২০শুবা সেঞ্চুরিগী সিলভর স্ক্রীনগী আইকোন অমা ওইনা লৈরবা এক্টর অসিগী য়াম্না ইরোতিকসু ওইবা অদুগা য়েংবদা কা হেন্না হঙ্গোইবা পোকহন্দবা সেক্স সিন কয়ানা মালেমগী মীপুম খুদিংমকপু ইঙাও ঙাওহনখি। অশেংবা তাইবঙ অমগী শক্তমগুম খলহনবা ঙমখি। কুমজা ২০২০গী ওগষ্ট থাদা চহী ৯০ শুবগী সেলেব্রেসন তৌখিবা এক্টর অসিগী ইরোয় লোইবা সিলভর স্ক্রীন প্রদক্সন অমা হায়বা তারবদি "The League of Extraordinary Gentlemen (2003)" হায়বা অসিনি। জেমস বোন্দ ওইনা সেরিজ ৭ ফিল্ম ওইনা পুথোরকপদা মালেমদা খ্বাইদগী য়াম্না মায় পাকপা বোক্স ওফিস হিট ওইবা ঙমখিবা ফিল্মশিং অদুদি - *Dr. No (1962), From Russia with Love (1963), Goldfinger (1964), Thunderball (1965), and You Only Live Twice (1967), Diamonds Are Forever (1971)* অমদি *Never Say Never Again (1983)* হায়রিবশিং অসিনি। ০০৭ সেরিজ অসিনা মালেমগী ফিল্মগী ঈহৌ অমা খংকন কলহনবা ঙমখি অমদি Sean Connery গী মীংচৎ অসি অঙকপা ফংনা ৱাংখৎলকখি। মহাক্কী থোইদোক হেন্দোকপা কয়া অসিগীদমক অমেরিকান ফিল্ম ইন্সটিট্যুটনা Sean Connery বু ৱর্ল্ডগী সিনেমাগী পুৱারীদা থর্দ গ্রেটেষ্ট হিরোনি হায়না শিংথাখি। কুমজা ২০০৯দা Edinburgh film Festival দা শরুক য়াবা লাকখিবদা মহাক্না ইচম চম্না লন্বীদা থোরক্তুনা মতম কুইনা থাদোক্লুরবা লমদম অদুদা লাকপদা টেক্সি অমা ফাদুনা কোয়বা চৎলম্মী। টেক্সি মনুংদা টেক্সি দ্রাইভর অদুগা মহাক্না শানবা ৱারীদা, মফম অদুগী লম অমদি মীশিং ফাওবগী মীং অমত্তা চিংথদনা মথং মথং হায়রকপদা টেক্সি দ্রাইভর অদু ঙকখি। তশেংবদি মহাক্কী অচম্বা মতৌ অদুদা টেক্সি দ্রাইভর অদুনা মহাকপু জেমস বোন্দ শাবনি হায়বা অদুফাওবা খঙখিদে। টেক্সি দ্রাইভর অদুনা হংখি, 'নহাক্না লম অসিগী মরমদা লোইনা খঙলিবা অসি করিগীনো?' মদুদা এক্টর অদুনা খুমখি, ঐহাক য়াম্না পিক্লিঙৈদা StCuthbert's Co-operative Society গী খূথাংদা য়ূমথোং খুদিং চঙদুনা শঙ্গোম য়োনবা চৎলম্মী অদুনা ঐনা লম খুদিংমক লোইনা খঙবনি"। "অদুদি নহাক মফম অসিদা করি তৌবা লাকপনো, হৌজিক্তি করি তৌরি? মদুদা মহাক মশাগী অশেংবা মশক অদু তাক্লবদা টেক্সি দ্রাইভর অদু অঙকপা ফংনা কোন্নরিবু থাগৎখি।

মমিং লৈরবা এক্টর অসিগী মরমদা অপিকপা কাখল অসিদা শুনা ইবদি ওইথোক্লোই, অদুবু মতিক ময়াই চেল্লবা এক্টর অসিগী মফমদা নীংশিংজবা ওইনা ৱারেং মচা অসি লমদম অসিগী মীয়ামদা পূন্না পামিন্নদুনা এক্টর অসিবু ঙাইহাক্তং নীংশিংজবগী তাঞ্জা অদু লৌজবনি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৫।১১।২০২০ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ১০.৩৭ফাওবা মেরাগী থাশুনি মতুং হিয়াঙ্গেগী নোংমা পাল্লনি।

**মেষ :** নুমিৎয়ুংবা ফাওবা নীংবা থুংবা, মরুপ মপাংগা লোয়নবা থবক মায় পাকপা অমদি শেন্দোং চাওনা ফংগদবা খোঙশাল লৈ। থেংথরদি নোল্লুক্না চৎপা ফৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** লাইবক থোইনা ফগনি, শেল ফংগনি, মীংচৎ ফংগনি অমদি নীংবা থুংগনি। অনৌবা অশা লাক্কনি অমদি অয়াম্বা লম্‌দা মায় পাক্কনি-খুৎচাও থাবা য়াগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মীচং হেনগৎপা, শেন্দোং হেন্না ফংবা অমদি নচাক নরল চাওখৎপা ওইগনি। মরুপ মপাংগদি ৱারৌনগনি খন্থদনা ৱা ঙাওগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মায় পাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/হিগোক।

**কর্কট :** পল্লম্বা শেল-থুমগী ফীভম অমদি মীয়ামগা লৈনবা মরী ফগৎকনি। মরুপ মপাং অফবা ফংজগনি। মতাং চাদনা অনম তাল্লদি খুদোংচাবা মাঙগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** নুমিৎয়ুংবা ফাওবা য়াম্না অফবা অমদি শেন্দোং চাওনা ফংগদবা লৈ। থেংথরক্লদি নীংবা থুংবা ৱাৎলক্কনি-তপথৌ। লৈঙাক্কী লম্‌দা লাকচবা ঙমলোই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অশাওবনা মাঙহনগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** থেংলপ্না নীংবা থুংগনি, শেল ফংগনি অমদি ৱাখল থোক্কনি। অদুবু চিন শোইরগা শেল মাঙবা অমদি অঙম্বনা তাথিবদি লৈগনি। য়েৎনরদি মাঙজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**তুলা :** কল্লকপা য়েংথীবা য়াম্বা অমদি য়েৎপসু য়াম্না লৈবা নুমিৎনি-থিবা হুম্বা অমদি খাংবা কনবা মথৌ তাই। লৌশিং চাওবা লোয়নদ্রদি পূক্লিং ৱাগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পূক্লিং তপথৌ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** থেংলপ্না চাদিং হন্থবা, মীচং হেনগৎপা অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নবা ওইগনি। মীয়াম্না থোইনা চানবীবা নুমিৎনি। অদুবু অনম তানবনদি কাইনগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**ধনু :** অয়ুক্তা চাওনা মায় পাক্কদবা লৈ-অদুনা অনৌবা অফবা থবক পাংবা হৌহৌবা ফগনি। ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবসু লৈ। ফিংলদি কাইনবা য়াবসু লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মকর :** অনীংবা পাংগনি, শেল থুমগী লম্‌দা মায় পাক্কনি অমদি য়েক্লববু ঙমজবগী নুংঙাইবা লৈগনি। অরং অরাক ফংবগী নুংঙাইগনি। নক্লবনদি ৱারৌগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীচং লৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মীপাইরম্বা কোকচদুনা নীংবা থুংলনি অমদি নচা ননাই চাওখৎকনি। মহু চাওবনা তাথি। খরা ৱারসু মমৈদা মীয়ামগী মতেং ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মরী ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিন :** হেন্না হোয়া ফবদি মাঙদুনতা তোক্কনি অমদি মৈনা তাথি চেকশিল্লু। নক্লবনসু পেন্দবা লৈ-য়ারগদি মীগী য়াকা য়েংনা চৎপা ফগনি। অরুবা থবক পাংগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - খরদি ফরনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ /চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## হুইয়েন জোক্স



চাওতোন্না ময়ুম হল্লকপদা য়ুম য়াম্না লুনা-নান্না লৈরম্মী মদুদা ঙক্লদুনা মহাক্না মাগী নুপীদা হংই।
চাওতোন : কৈদৌরবগে ফেসবুক, ৱাটসএপ য়াদ্রবো?
নুপী : নত্তে, ঐগী মোবাইল চার্জর থীবা খঙদ্রে। চার্জর থীনবা হোৎনবদা য়ুম লোয়না শেংদোকখ্রে।

---

লোকদাউন মনুংদা ৱর্ক ফ্রোম হোম তৌনরিঙৈ মতমদা
বোস : ঐনা ফোন তৌবদা নঙগী নুপীনা ফোন থাঙ্গৎলদুনা হায়রকই, নঙ চাক থোংলি হায়না। চাক থোংবা লোয়রগা ফোন তৌরকপা য়াদ্রা?
ইমপ্লোয়ী : সর, ঐনা ফোন তৌজবনি অদুদা মেদাম্না ফোন থাঙ্গৎলকই অদুগা হায়রকই নখোয়গী বোস কোন কন্না ফেংলি হায়না...!

---

দোক্টর : করি নুংঙাইতবা লৈরগে?
বিকাস : দোক্টর নুমীদাং খুদিং তুম্বদা ঐগী ফমুং মখাদা কনাগুম্বা অমা অদুম লৈবা মানবা মরম্না তুম্বা ঙমদ্রে।
দোক্টর : ওকে, ফরে নহাক থা তরুক ফাওবা চয়োল অমদা নোংমা ঐগী নাক্তা চাং নাইনা লাকউ।
বিকাস : অমুক লাকপদা অয়েংমন কয়া লৌগনি?
দোক্টর : লুপা লিশিং ২।
থা তরুক্কী মতুংদা লন্বী অমদা দোক্টরনা বিকাসপু উবদা কৌরদুনা হায়রকই।
দোক্টর : কৈদৌরে বিকাস লাক্কনি হায়রম্লগা অদুমক লাকখিদ্রদি?
বিকাস : দোক্টর, ঐগী মরুপ অমনা য়াম্না লায়না লায়েংবিবদগী ফদুনা লাকখিদবনি। মানা লায়েংবিবদগী লুপা লাখ কয়া চঙগদবদগীসু কনবা ঙমহৌরে।
দোক্টর : য়াম্না ফৈ, অদুবু নঙগী মরুপ অদুনা মতৌ করম্না লায়েংলিবনো?
বিকাস : অখন্নবা করিসু তৌবা নত্তেদা, মহাক লাক্তুনা ঐনা তুল্লিবা ফমুং অদু য়োন্থোকখ্রে অদুগা লৈমায় মখাদা মোনপাক থাদুনা তুম্নবা হায়বদগী লৈবাক মখাদা তুম্বদগী ফখিবনি...!

---

চাকনিবা নুপা অদুনা ওজা মমাংদদি ঐ হেক উবগা লুপা ১০০ পীরম্মী। মদুগী নুমীৎ খরনীগী মতুংদা লুপা ৬০, হৌজিক্না লুপা ১ খক পীরিসিবু করিগীনো?
তোম্বা : চাকনিবা নুপা, ঐহাক অহানবদদি নুপী থীদনা পাখঙ ওইনা লৈরম্মী, মদুগী মতুংদা লুহোংলে। হৌজিক্না অঙাং অনী শুরে।
চাকনিবা নুপা : য়াম্না ফবগী ৱানিনে অদুদি ঐগী শেলনা নখোয়গী ইমুং লোয়ননা থাক্লিবনিকো ...!

---

আঙ্গনবাদিগী ওজা অমনা অঙাংশিংগী অরুম্বা ওন্দুনা লৈরম্মী।
চাওভনগী অরুম্বসু ওনখরে।
নোংঙাল্লগা আঙ্গনবাদিদা চাওভন চৎলমদবা উবদা মমানা হংই। করিগী আঙ্গনবাদি চৎত্রিবনো?
চাওভন : ইমা ঙরাং আঙ্গনবাদিগী ওজানা অঙাংশিংগী অরুম্বা লোয়না ওল্লি ঐগীসু ওনখি। কনানা খঙনি ঙসি ঐবু য়োন্থোকখ্রদি ...!

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা ড্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।




Title: Happy Green Diwali
By : Supriya P
Class : I Sec : E Roll No.
School : Mitra Academy, Bangalore




Title: Scenery
By : Yaikhombi
Class : II Sec : D Roll No. 65
School : Standard Robarthh Higher Secondary School




Title: Dog
By : Arish Thongam
Class : II Sec : D Roll No. 19
School : Standard Robarth Higher Secondary School




Title: Girl and Dog
By : Baby Raesha
Class : II Sec : A Roll No. 12
School : Standard Robarth Higher Secondary School



Title: Flower
By : Mysp Puyam
Class : II Sec : B Roll No. 01
School : Standard Robarth Higher Secondary School




Title: Puppy
By : Lukeshwori
Class : II Sec : B Roll No. 20
School : Standard Robarth Higher Secondary School



Title: A Cat
By : Tensubam Pari
Class : III Sec : A Roll No. 25
School : Standard Robarth Higher Secondary School



Title: A Scenery of Sunshine
By : Anjelina Sanjenbam
Class : III Sec : A Roll No. 8
School : Standard Robarth Higher Secondary School



Title: Loves with Father and Son
By : Krish Ningombam
Class : IIISec : A Roll No. 7
School : Standard Robarth Higher Secondary School